# মথী-ময়ুং শেংদোক্তনা ওক লোয়বা

– ডা. সরাংথেম জেসমারানি –

হৌজিক্কী মতমদা শেন্দাল লন্থী অমা ওইনা মফম খুদিংদা ওক লোয়নরি। ওকশিং লোয়বা মতমদা য়ূমগী মনাক নকপদা লোয়বনা অয়াম্বনি। মসিদা মথী-ময়ুং শেংদোল্লগা মফম চানা পৈশিনফম লৈতবগীসু অৱাবা অমা ওইরি। ওক লোয়বা মতমদা য়ূমলক্তা লোয়বসিসু অচৌবা অশোয়বা অমনি। অদুবু মফম নিংথিনা লৈতবা জগা ওইরগদি অনৌবা মওং অমদা লোয়রগা মনম মহা চেলহন্দনা মথী-ময়ুংসু শেংদোক্তনা লোয়বসু য়াই। হায়রিবা ওক লোয়বগী মওং অসিবু ঐখোয়না বোকাশী পীগরি হায়না কৌনৈ।

বোকাশী হায়বগী ৱাহন্থোক্তি পুমথহল্লবা ওর্গানিক মেট্টর হায়বনি। মসি জপানিজ লোলনি। মসিগী মওংদা লোয়বা মতমদা কান্নরবা মীৎনা উবা ঙমদবা অফবা মখলগী হীংকুপ ময়াম অমা শীজিন্নৈ। মসিগী মথক্তা ৱাদগী লৌবা মহী অমগসু শীজিন্নৈ। অফবা মখলগী হীংকুপশিং অসিনা ওক্কী মথী-ময়ুংদগী থোরকপা নমথীবা মনম কয়া অমা নমথহন্দুনা মনম চেলহন্দে, হয়িং তোংবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। ওকশিং নাবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। মচীঞ্জাক চাবগী চাং হন্থনা পীজরগা লূম্বগী চাং হেনগৎহল্লি। থা ১০ শুবদা মপূং মরৈ ফাদুনা য়োনবা ঙমহল্লি।

ওককী মকোন শাবা মতমদা লৈমায়দগী ফুট ৩গী চাংদা লুনা তৌবীগনি। করিগুম্বা মতমদা নীংশিংবীগদবা অমনা শাগদৌরিবা ওক্কোনদুগী মনাক্তা করিগুম্বা লৌবুক ওইরগদি নোংজুথা মতমদা ঈশিংগী ইফুৎ ফাওরকপগী চাংসু য়েংবীগনি। করিগুম্বা ঈশিং চুমথরকপগী মওং উরগদি খরা ৱাংখৎনা লৈহনবদা অকায়বা লৈতে। তৌবতবু কোমদু ফুট ৩দি লুহনবীগদবনি। মচা ধারা লৌনবগী ওক ওইরগদি ওক অমদা ফুট ৬ x ৪ ওইগনি অদুগা মশা চানবা ওক পূন্না লোয়গদবা ওইরগদি ওক অমদা স্কৱার ফুট ১৬ ওইগনি। ওক্কোন শাবা মতমদা অকোয়বদু লৈমায়দগী ফুট ২ ৱাংনা কোয়শিনবীগনি। মসি নৎত্রগসু লম্মাং ওইরগদি অকোয়বগী ৱালদু ফুট অমমুক্তং খাজিনবীগনি। ওক্কোনগী মথক্লা/য়ূমথক্লা সধারনগী ওক্কোনগী য়ূমথক্কুম্না শেম্বীবা য়াই। ওক্কোন মনুংদা ঈশিংগী ঈফুৎ ফাওরল্লগদি হায়রিবা বোকাশীগী মওংদা লোয়বদা অশোয়বা কয়া অমা য়াওরক্কনি। মরম অসিনা ওক্কোনগী কোম তৌবা মতমদা ঈশিংগী ঈফুৎ লাক্তবা অমদি কংনা থম্নবা হোৎনবীগনি। ওক্কোন মনুংদসু নুংশিৎ মরাং কায়না ফংবা মথৌ তাই।



ওক্কোন মনুংদা কোম তৌরবা তুংদা কোমদুনা উকুপ ৪০%, অকঙবা মনাশিং/চরু ১০%, ৱাইকুপ ২০%, অফবা মখলগী লৈবাক ২০%, ৱাইদগী শেম্বা মৈতাল ১০%, কলানমক, ৱা মহী অমদি হীংকুপ শীজিন্নবীগনি।

মথক্তা থল্লিবা পোৎচং ময়ামশিং অসি ঐখোয়না তৌরিবা কোমদুগী চাওবা শাংবগী মতুংইন্না মরোল মরোল হাপ্পীগনি। মরোল অমা হেক হাপ্পা লোইবগা ঈশিং চাইশিনবীদুনা তোৎশিল্লগা লৈতেম মান্ননা থম্বীগনি অদুগা অমুক অতোপ্পা মরোল অমা শেম্নবা হৌবীরগা লৈতেম মান্ননা থম্বীগনি। অসুম্না মরোল মরোল ঈশিং চাইদুনা শেম্বীরবা মতুংদা লৈতেম মান্ননা অরোইবা ফাওবা থম্বীরবা তুংদা মথক থংবদু চরুনা কুপশিনবীরগা থম্বীগনি। নীংশিংবীগদবা অমনা ঈশিং চাইরগা তোৎপা মতমদা ঈশিংগী চাংসি চাদা ৬০%দগী হেলহনবীরোইদবনি হায়বদি তোৎলিবা পোৎলমশিংদু খূৎনা পায়শিনবা মতমদা মচুম তাহনলোইদবনি অমদি খরা চোৎনা লৈহনগদবনি। মকোক মনুংদু লৈতেম মান্ননা থল্লবা মতুংদা হাপ্তা অমা/অমা লেংদনা থম্বীগনি। মরমদি হায়রিবা মতমসিদা অহিংবা হীংকুপশিংদু মশীং য়ামহনবগী খুদোংচাবা লৈহনগনি। হাপ্তা অমা লৈরগা ওকশিং থম্বীবা য়ারে। ওক থম্বীবা মতমদা ওকশিংদুনা মনাতোন্না হুৎল-হুৎলগা চাবা থেংনরগদি মদু মায় পাকপা অমা ওইরে হায়না লৌবীগনি।

ওকশিংসি য়াম্না শীংবা শা অমা ওইবনা মথী-ময়ুং চোয়দে, জগা অমদা অদুম তৌবা থেংনজে। মরম অসিনা ওক মপুনা নুংতিমক্কী য়োৎপাক্লা লৈতেম মান্ননা শেমবীগনি। করিগুম্বা মতমদসু ওক্লা লুম্বা শা অমা ওইবনা অমদি ওক্কোন মনুংগী কোমদুদা হাপ্লিবা পোৎশিংদু অয়াঙবা ঙাক্তা ওইবনিনা নমথবা থেংনরক্কনি। মরম অসিনা মতম মতমগী ওইনা মথক্তা থল্লিবা পোৎলমশিংদু অমুক অমুক হাপ্পীবগা লোয়ননা হীংকুপ অমদি ৱাগী মহীসু হাপ্পীগনি। অসুম্না মনুংদা লৈরিবা ওককী কুনফমশিং মখোয়শিংদু য়োম্থোকত্রি ফাওবা নৎত্রগা চহী অমা চূপ্না থম্বীবা য়াই। ওক্কোন মনুংদা লৈরিবা পোৎলমশিংদু কম্পোষ্ট ওল্লবনিনা লৌউ-শিংউবা অমদি পোৎ চৈ থাবদা শীজিন্নবা য়াই। কেজি অমনা স্কাৱার মিটর অমগী চাংদা লৌফমদা শীজিন্নবা য়াই। মসি ঙাগী মচিঞ্জাক ওইনসু শীজিন্নবা য়াই।

অসিগুম্বা বোকাশীগী মওংসিদা লোয়রবা ওকশিংগী পীজ-পীথক তৌনবা পাত্রদু ওক্কোনগী মপান নৎত্রগা মনুংলোমদা থম্বীবা য়াই। তৌবতবু মনুংদা থম্লগদি মপান্দগী মচীঞ্জাক পীজবা য়াবগী মওংদা থম্বীগনি।

ওক মচীঞ্জাক পীজবা মতমদসু মচিঞ্জাক কা হেন্না পীজবগী মথৌ তাদে। নোংমদা ওক মপী অমনা কেজি ৩ চাগদবদু কেজি ২দা হন্থহনবা য়াই।

অসুম্না অসিগুম্বা অনৌবা মওং অসিদা ওক য়োকপীরগদি শিবা, নাবগী চাং হন্থবদা নত্তনা হেন্না শেন্দোং লৈবা অমা ওইবগা লোয়ননা মনম মহা চেন্দনা লোয়বা ঙমগনি। মসিগী মতাংদা অকূপ্পা মরোল হেন্না খঙবীনীংবা লৈরগসু মখাদা পীজরিবা মেলসিদা হংবীরকপা য়াগনি - kvkthoubal@gmail.com। ●

# ঙা য়োকপদা মহৌশাগী লৈরক্লিবা লৌশিং শীজিন্নবা

ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ

মহৌশাদগী লৈরক্লিবা লৌশিং শীজিন্নদুনা অচৌবা খুদোংথীবা কয়াদগী ঙাকথোকপদা অচৌবা পান্থে ওইদুনা লাক্লি। মহৌশাগা নক্লনা লৈবা মীওই কয়ানা মখোয়গী অকোয়বদা লৈবা অমদি থোক্লিবা থৌওংশিং থেংনরুবদগী খঙলক্তুনা কান্নবা থৌওং কয়া পায়খৎনবা হোৎনরি। করিগুম্বা অকক্লবা উচেক খরা থেংনবদা নৎত্রগা মখোয়না খোংবা তাবা, করিগুম্বা অকক্লবা জীব খরা মচা পোক্লকপা, অকক্লবা পান্থী খরনা লৈ শাৎলকপা অসিগুম্বা ময়াম অসি অঈং-অশা অমদি মতমদা অহোংবা কয়া লাকপগী খুদম্লি হায়বসি মহৌশাদগী থেংনরকপা লৌশিংগী মতেংনা লায়না খঙবা ঙম্বা থৌওংশিংনি।

মহৌশাদগী থেংনরকপা লৌশিং শীজিন্নদুনা করিগুম্বা ঈকং থোকপা নৎত্রগা ঈচাও থোকপা মতমদা মহৈ-মরোং মখল কয়া থাদুনা করিগুম্বা মখল অমদা অমাঙবা থোকখ্রবসু মখল অমদগী খরমখৈদি ফংননবা হোৎনরম্মী অমদি শা তানবা, ঙা ফাবা নৎত্রগা চীং-মান্দা চৎতুনা উহৈ-ৱাহৈ, মহৈ-মরোং কয়া হেক্তুনা মহৈ-মরোংগী অৱাৎপা মেনখৎনবা হোৎনরম্মী।

করিগুম্বা মফম অমদা মখল কয়াগী পান্থীশিং থারবদি পান্থী খরদা অমাঙ-অতা থোকখ্রবসু পান্থী মখল খরদগী পোখোক খরদা ওইরবসু ফংবা ঙমগনি। মসিদসু নত্তনা মহৌশাদগী শীজিন্নরক্লিবা খূৎশু-খূৎলায় খুদম ওইনা হায়রবদা ঙা ফাবদা শীজিন্নরিবা লাং অমদি হিনচিংবা ময়াম অসিদসু মহৌশাগী অকায়বা হায়বদি ঈশিং ঈচাও অমদি ঈকংনচিংবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবা হোৎনবদা শীজিন্নবা য়াবা কয়া লৈরি।

মহৌশাদগী খঙলকপা থৌওংগী মতেংনা অকাইবা/অহোংবা অমা থোক্লক্কদৌরে হায়বা খঙনবগী পান্থে খরা :-

১) করিগুম্বা হূই ময়াম্না পুল্লপ-পুল্লপ থোক্লক্তুনা লম্বীদা মফম-মরাং খঙদনা খোঙবা থেংনরবদি য়ুহা হাবা থোক্লকপা য়াবগী অচৌবা খুদম অমনি। অসুম্না য়ুহা হাবা থোক্লক্কদৌরে হায়বা খঙবা ঙম্লবদি অশোক-অপন অমদি অতেক-অকাই থোক্তনবা চেকশিন থৌরাং খরমখৈদি লৌখৎপা ঙমগনি।

২) ককচেং অমুবীনা মখোয়গী মরূমশিং অমদি মচীঞ্জাকশিং য়াম্না চেকশিন্না অতেক-অকাই থোক্লোইদবা মফমদা থম্লবদি নোং চুগদৌরে হায়বগী খুদম্লি। হঙোই য়াম্না খোঙলবসু নোং চুগদৌরে হায়বগী খুদম্লি। য়েননা মসা শন্দোক্তুনা কুন্দুনা নুংশা য়াইরবসু নোং চুগদৌরে হায়বগী খুদমনি।

৩) চোৎলি-চোৎলি তৌবা মফমদা লৈশৌনা মকোন শারবসু নোং চুগদৌরে হায়বগী খুদমনি।

৪) খা নোংচুপ থংবা অতিয়াগী মচু অঙাংবা ওইরবদি নুমিৎ খরনিগী মনুংদা নোং চুরগনি হায়বগী খুদম্লি।

৫) উমংদা নাপী-শিংবী হৌবগী চাং খংহেন হেল্লক্লবসু চৎলিবা চহী অদুদা নোং চুবগী চাং হেনগৎলগনি হায়বগী খুদম্লি।

৬) করিগুম্বা থরোইনা উদা কাদুনা লৈরবা, তিন্থোক য়াম্না থোরকপা থেংনরবা, ককচেংনা ময়ূমদু মফম চাবা য়েংদুনা হোংলবা অমদি তীল-কাঙ য়াম্না পাইরবা নোংলৈ নুংশিৎ তৌরবা মতুংদা নোং চুগনি হায়বগী খুদম্লি।

৭) করিগুম্বা নোংজাবী অসি নোংপোক লোমদগী থোরকপা থেংনরবদি ঈকং থোকপা য়াবগী খুদম্লি। তৌইগুম্বসুং নোংজাবী অসি নোংচুপ লোমদগী থোরকপা তারবদি শুংশোয় শোয়দনা নোং চুরগনি হায়বগী খুদম্লি।

৮) নুমিৎ তাখ্রবা মতুংদা অতিয়া অসি অঙাংবা মচু ওইনা উরবদি নুমিৎ খরনিগী মনুংদা নোংলৈ-নুংশিৎ থোক্কনি হায়বগী খুদম্লি।

৯) করিগুম্বা মুকথ্রুবী হায়বা তীল মখল অসি য়াম্না পাইবা থেংনরবদি নোং চুরম্বদগী নোং হাংলগনি হায়বগী খুদম্লি।

১০) করিগুম্বা ৱা মপাল শাৎলবদি ঈকং থোক্কনি হায়বগী খুদম্লি।

১১) শেম্বাংনা নেম্না পাইবা থেংনরবদি নোং কন্না চুগনি হায়বগী খুদম্লি। মতাং অসিদা খঙজিনবা য়াবা ৱাফম অমদি শেম্বাং য়াম্না পাইরবদি নোং চুরবা য়াই অদুগা শেম্বাং পাইবা থেংনদ্রবদি ঈকং থোকপা য়াই।

১২) তিল্লাইখোম্বী নৎত্রগা তিনখাক য়াম্না লৈবা থেংনরবদি ঈকং থোকপা য়াই।

মহৌশাদগী মীওইবনা থেংনরকপদগী খঙলকপা লৌশিং শীজিন্নদুনা চহী কয়া অসি ঈশিং ঈচাও অমদি ঈকংগুম্বা কয়া মায়োক্লদুনা লাক্লিবনি। মরম অদুনা হৌজিক্কী বৈজ্ঞানিক ওইবা টেক্নোলোজি কয়াসিগী মথক্তা মহৌশাদগী খঙলকপা লৌশিংশিং অসিসু শীজিন্নবগী তঙাইফদবসু লৈ।

মহৌশাদগী লৈরকপা লৌশিং কয়া অমদি হৌজিক্কী মীওইশিংনা শীজিন্নদবদগী মাঙখ্রে। তৌইগুম্বসুং হৌজিক লৈরিবা লৌশিংশিং অসি মাঙখিদনবা হোৎনবগী তঙাইফদবসু লৈরি।

মতাং অসিদা লৌমী ইচিল ইনাওশিংদা থমজনীংবা ৱাফম অমদি চাওখৎলকপগী মতুংইন্না টেক্নোলোজি কয়া শীজিন্নদুনা ঈশিং ঈচাও অমদি ঈকংনচিংবা কয়া তোরক্কদৌরে হায়বা মাঙজৌননা খঙদোকপা ঙম্লবসু মমাঙঙৈদগী লৈরক্লিবা লৌশিং কয়া শীজিন্নদুনা খুদোংথীবা লাক্কদৌবদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনমিন্নরসি। ●

# কম্পোষ্ট শেম্নবগীদমক এন এ দি ঈ পি মেথদ

ডা. ৱাইখোম জিতেন


শা-ষণগী মথী-ময়ুং অমদি মখোয়না চাবগী অরেম-অপাশিং অসি পথ্-পুমথহল্লবা মতুংদা থারিবা পান্থীশিংগী হার ওইনা মীওইবনা মতম কয়াগী মমাঙদগী শীজিন্নদুনা লাক্লে। অসুম্না শা-ষণদগী ফংলিবা হার অসিবু ষন্থি-ষণয়ুংগী হার (Farm Yard Manure - FYM) হায়রগা খঙনৈ। এফ ৱাই এমনা পান্থীশিংদা পীরিবা কান্নবশিং অসিগা মান্নবা মওংদা পান্থীশিংদা কান্নবা পীবা ঙম্বা অতোপ্পা পোৎলম অমা হায়রবদি, নাপী-শিংবী, চরূ-চনাই, উনা-ৱানা অমদি অতোপ্পা পথ্-পুমথবা ঙম্বা পোৎলমশিং পথ্-পুমথহল্লগা শেম্বা হার কম্পোষ্টনি। কম্পোষ্ট শেম্বগী তোঙান-তোঙানবা থৌওং কয়া অমা লৈ। ময়াম অদুগী মরক্তগী মহারাষ্ট্রদা লৈবা Narayan Deotao Pandharipande (Nandep Kaka) কৌবা লৌমী অদুনা পুথোকপা কম্পোষ্ট শেম্বগী মওং অসিবু এন এ দি পি মেথদ হায়না ময়াম্না খঙনৈ। থৌওং অসিদা মীওইবগী সেবা য়াম্না চঙদনা অকক্লবা মতম অমগী মনুংদা য়াল্লবা কম্পোষ্ট পুথোকপা ঙম্মী।

কম্পোষ্ট শেমদুনা লৌউ-শিংউবদা শীজিন্নবনা খূৎশেমগী হার শীজিন্নবগী চাং হন্থহন্দুনা হার লৈবগী শেল হন্থহল্লি, ওর্গানিক ওইবা মওংদা পোখোক পুথোকপদা মতেং পাংই অমদি লৌউ-শিংউবগী থবক থৌরমশিংদা মপান্দগী পুশিল্লকপা পোৎলমশিংদা মীপান তাংবগী চাং হন্থহল্লি। থৌওং অসিনা ফুট ১০ শাংবা, ফুট ৫ পাকপা অদুগা ফুট ৩ লূবা কোম অমদগী থা ৩-৪গী মনুংদা কম্পোষ্ট কেজি ২৫০০ হায়বদি ত্রেক্টর ত্রেলর মপোৎ অমা পুথোকপা ঙম্মী।

লৌমী ইচিল-ইনাওশিংনা পোখোক পুথোক্লবা হোৎনবা মতমদা ঐখোয়না পাল্লিবা পোৎলমশিং অদু লৌখ্রগা লেমহৌবা পোৎলমশিং অদু লোইশিন খমজিনবদা অৱাবা ওইবা পোৎলম অমা ওইনা খন্নৈ। মসিগী মরু ওইবা মরমদি মখোয় অসি পথ্থরগা লৈবাক লৈশা ওইবদা মতম চঙবনা থন্ফম লৈরক্তবা, কম্পোষ্টনা লৌউ-শিংউবদা পীরিবা কান্নবা অসি মপূং ফানা খঙদবা অমদি অরাইবা মওংদা কম্পোষ্ট শেম্নবগী থৌওংশিং খঙদবননি। এন এ দি ঈ পি মেথদনা কম্পোষ্ট শেম্নবগীদমক চরূ-চনাই, উনা-ৱানা, নাপী-শিংবী, চেথী-চেগুম, চাকশঙদগী থোরকপা শীজিন্নদ্রবা পোৎলম অমদি অতোপ্পা পথ্-পুমথবা ঙম্বা পোৎলম খুদিংমক শীজিন্নবা য়াই। থৌওং অসিদা ষন্থি কেজি অমা শীজিন্নবা খুদিংগী নীংথিনা কম্পোষ্ট ওল্লবা পোৎলম কেজি ৪০ পুথোকপা ঙম্মী।

কম্পোষ্ট শেম্নবগী কোম অদু লৌফম/ইঙ্খোলগী খরা তোংবা ঈশিং থুমজিল্লোইদবা মফম ওইবগা লোয়ননা মরাক ময়ুং নাইবা লৈমায়দগী ফুট ৩ ৱাংখৎপা চেক্কী কোম অমা শেম্বীগনি। কোম অদু বিলাটিমাতিনা চনবা কোম ওইদ্রবসু চেক অমদি লৈবাক্তনা চনবা য়াই। অদুগা কোমগী মনুংগী লৈমায় অদু চেক্লা চনশিনদ্রবসু থোইদোক্লা অকায়বা লৈতে।

ইঙ্খোল/লৌফমগী মচি অমদা ফুট ১০ শাংবা ফুট ৫ পাকপা অদুগা লৈমায়দগী ফুট ৩ ৱাংখৎপা চেক্কী কোম অমা শেম্বীরো। কোম অদুগী লৈমায়দগী ফুট অমা ৱাংখৎপা মফমদগী কোম অদু শেম্বা মতমদা চেক অমা চনবা খুদিংগী থংনবা চেক অমগী মফমশিং নুংশিৎ চঙনবা হাঙহন্দুনা থম্বীরমগদবনি।




কম্পোষ্ট শেম্বদা চঙগদবা মচাকশিং :-

ক) লৌফমদগী থোরকপা অশংবা/অকংবা লেমহৌখাক - কেজি ১৩৫০-১৪০০

খ) ষন্থি/বাইওগ্যাস মহী - কেজি ৯৮-১০০

গ) অফবা লৈবাক লৈকুপ - কেজি ৬৬৭৫

ঘ) ঈশিং - লিটর ১৩৫০-১৪০০ কোমশিং অসিদা পোৎলমশিং অসি হাপ্পীবা মতমদা অমুক্তদা হাপ্পীগনি। য়ারবদি নোংমগী মনুংদা য়াল্লবদা নুমিৎ নীনিগী মনুংদা থন্নবা হাপ্পীগনি। কোম অদুদা পোৎলমশিং হাপত্রিঙৈদা কোমগী ফক্লাং অমসুং মনুংগী লৈমায়শিং অদু ষন্থি কেজি ৪বু ঈশিং লিটর ১০০দা থিৎলগা চাইথোকপীগনি। অসুম্না চাইথোকপীবা লোইরগা হাপকদবা পোৎলমশিং অদু লৈরোল/লৈরোল নাইনা হাপ্পীগনি।

অহানবা লৈরোল :- মখা ইথং থংবা লৈরোলদা উসা-ৱাসাগুম্বা খরা পৌবা পোৎলমশিংনা ইঞ্চি ৪-৬ থানা হাপ্পীদুনা নুংশিৎ চঙবা য়ানবা মওংদা শেম্বীগনি।

অনীশুবা লৈরোল :- ষন্থি কেজি ৪গা ঈশিং লিটর ১০০গনা শেম্বা মহী অদুগা মখা থংবদা লৈখিবা পোৎলমশিং অদু চোৎনবা মওংদা চাইবীগনি।

অহুমশুবা লৈরোল :- লৈবাক লৈকুপ কেজি ৬০না ষন্থি মহী চাইখ্রবা লৈরোলগী মথক্তা লৈতেম মান্ননবা চাইবীগনি। লৈরোল অমদা লৈগদবা লৌউ-শিংউবগী লেমহৌখাক অসি চাউরাক্লা কেজি ১০০মুক ওইগদবনি। লেমহৌখাক চাউরাক্লা কেজি ১০০ + ষন্থি কেজি ৪ + ঈশিং লিটর ১০০ + লৈবাক লৈকুপ কে জি ৬০ ওইবা লৈরোল ১০-১২ শেম্বদা মথক্তা পীখিবা কোমগী অচৌবা অদু থনগনি।

কোম অদু তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিংনা লৈরোল নাইনা শীবিরগা লৈখোম নৎত্রগা ষন্থি-লৈঙোইনা ৱাই তৈশিন্দুনা থম্বীগনি। অসুম্না থল্লবা কোম অদু নুমিৎ ১৫-৩০নিগী মতুংদা কোমগী লৈমায় অদু কুৎথরক্কনি। কুৎথরক্লিবা মফম অদু মথক্তা পনখ্রিবা মওং অদুদা লৈরোল নাইনা লেমহৌরিবা পোৎলমশিংনা হাপচিনবীরগা অমুক হন্না ৱাই তৈশিন্দুনা থম্বীগনি। অসুম্না ৱাই তৈশিন্দুনা থম্বা কোম অদু ঈনিল ৱাত্তনবা নুমিৎ ৫-১৫ খুদিংগী ঈশিং চাইবিবা নত্তনা লেঙহন্দনা থম্বীগনি। নীংশিংবীগদবদি ৱাই তৈশিন্দুনা থল্লিবা লৈমায় অদু চেকখাইরক্লবদি মেনশিনবীগনি। অসুম্না শেম্লবা কোম অদুগী মথক অদু চরূ/ইনা কুপ্পীদুনা নুংশা য়ৈহল্লোইদবনি।

মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনগদবা লৌউবদগী থোরক্লিবা পোৎশিং অদুনা কম্পোষ্ট ওন্থোক্তুনা মদুদা য়াওগদবা নাইট্রোজেন ১.৫%, ফোসফরস ১%, পোটাশ ১.৫% অমদি লেমহৌরিবা পান্থীগী মচীঞ্জাক মচল শুনা য়াওরবা হার ওন্থোকসি। অসুম্না হার শেমদুনা শীজিন্নবনা লিশাং শিংনা লৌ উবা য়াবা মফম ওইহনগনি। শেন্থোক হেনগৎহনগনি, পোখোক মরাং কায়না পুথোকপগা লোয়ননা হু চেন্দবা পোৎলম চাবদগী হকচাং ফনা লৈদুনা পূন্সি নুংশাংহনগনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯১

১) **“পূন্সি চেঙজেল লোইদুনা লাকপদা**
**কৌবীয়ু নঙনা তরাম তরাম্।।**
**নঙনা শেম্বীবা তাইবঙ ফম্পাক্তা**
**নঙনা তম্বীবা লীলা য়াওরুরে...।।”**

মথক্কী ঈশৈগী অহৌবা পরেং অসি ঈশৈগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। শৈরেংবসি কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।

২) **“নিমাইগী ঈশৈদো”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? কনানা ইবনো?

৩) **“ডা. রামকুমার বর্মাগী একাঙ্কী খরা”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৪) **“থিয়েটর অমদি সাহিত্যগী ৱারেং খরা”** (২০০৬) হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৫) **“অঙাওবীদো ঐগী ইমানি”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।